**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা শজিবু নোংম পানবা চৈরাওবগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শান্নরে।

২) শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) দিভিয়াংজনশিংগী পরপল ফেস ২০২৫ সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২০ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্লগনি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওহহন্নবা লম খুদিংমক্তা কন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

------

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা শজিবু নোংম পানবা চৈরাওবগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শান্নরে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগীদমক ঙসি ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা পোৎ লৈবা লাকপা মীগী মশিং য়ামা

হেনগৎখি। ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নুমিদাংৱাইরম ফাওবা পোৎ লৈবা লাকপা মীয়ামা চিকা চাইনবা ঙমদনা তিনখি।

মেসেজ (এল)ঃ শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগী পাউজেলদা হায়- মণিপুরীশিংগী অনৌবা চহি হৌবা নুমিৎ- শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা হরাউ নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। চৈরাউবনা লাকপদা লমদম অসিদা অফবা তুংলমচৎ অমগী অনৌবা আশা পুরকপা ওইরসনু। য়াইফরবা নুমিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবগীদমক অনৌবা ৱারেপ লৌবা, পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা অমসুং অফবা মায়ওনদা অনৌবা অহৌবা অমা পুরকপা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা নুংশি চান্ননা অমসুং শান্তি লৈনা হিংমিন্নবা মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু। তুংগা হেন্না ফবা মণিপুর অমা শেমবগীদমক মীপুম খুদিংমকা অপুনবগী ৱাখল্লোন, নুংশি চান্নবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা মঙম শানবা ওইরকবগীদমক কৎথোকপগী ফিরেপ লৌমিন্নরশি হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা আপীল তৌরি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তাগী পাডজেলদা হায়- শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। অসিগুম্বা অখন্নবা নুমিৎ অসিনা লাকপা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা নুংঙাইবা, হকচাং ফবা অমসুং চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু। লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা মণিপ্রদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু শ্রী সত্যবর্তাগী পাউজেলদা ফোংদোক্লি।

হান্নগী মন্ত্রি অমসুং শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ৱাই. খেমচান্দনা পীবা পাউজেলদা হায়- সনামহি লাইনিং চৎচবশিংগী অনৌবা চহি হৌবা নুমিৎ শজিবু নোংম পানবনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা অমদি মণিপুরগী মপানদা লৈরিবা মণিপুরীশিং অখন্নবা মীতৈ ফুরুপচাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা তুং কোইনা শান্তি পুরকপা অমদি চাওখৎপা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

পাৎশোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ শাপম কুঞ্জকেশ্বরগী পাউজেলদা হায়- শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তা ইং তপ্পা, নুংশি চান্নবা অমদি ইচিল ইনাউ ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু।

য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)না পীবা পাউজেল অমদা হায়- শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মণিপুর অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নাশিল্লোল অপুনবা লুপ (মিলাল)নসু শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। লুপ অসিগী পাউজেলদা হায়- হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা, ইং চিকপা, হিদান্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবা থমদুনা নুংশি চান্নবা, চাওখৎপা খুনাই অমা পুরকপা ওইরসনু। ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা)নসু শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কাউ (এল)ঃ রাঙ্খিগী নামকুংদা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সেকেন্দরি এগ্রিকলচরগী শেন্থং মখাদা এ.আই.এন.পি কনভরজেসন ওফ লেক ইন্সেক জেনেতিক রিছোর্সেস, সি.ও.এ ইরোইশেম্বনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা লৈবা কলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কসোপ কম লেক ফেষ্টিভেলগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী দাইরেক্তোরেট ওফ রিছার্সকী দাইরেক্তর ডাঃ এল.এম. গরনায়কনা হায়- রাজ্য অসিদা লৌমীশিংনা লেক ইন্সেক হায়না খঙনবা তিল মখল অসিগী কান্নবশিং খঙনরকপদগী তিল মখল অসি য়োক্তুনা লেক ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লি। হায়রিবা তিল মখল অসি অকোইবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহন্দবা তিল মখল অমা ওইবনা অকে অমৌগী পোৎলমশিং শেম শাদুনা শিজিন্নবদা হকচাংদা শোকহনদে। মসিদগী থোরকপা পোত্থোকশিং অসি য়োনবদা লাইহনবতা নত্তনা লৌমীশিংদা শেল থুমগী ফিভম ফহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা তিল মখল অসি য়োকপা মীওইশিংনা হাংবা ষ্টোল ৯ শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ নোনে জিলাগী হাওচোং খুলদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লম তু শেংবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীয়ামগী ৱাখলদা অকোইবগী ফিভম লুনা নান্না অমসুং ঙাক শেন্দুনা থমবগী ৱাখল্লোন পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা লম তু শেংবগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়রি। থৌরম অদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিং য়াওনা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা পুন্না শরুক য়াখি।

ফেস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিভিয়াংজনশিংগী পরপল ফেস ২০২৫ ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্টর ফোর স্কিল দিবলপমেন্ট রি-হেবিলিটেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি-ইম্ফালনা উরিষ্যা অমসুং কটক্কী এস.ভি. এন.আই.আর.টি.এ.আরগী মখাদা ভারত সরকারগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইমপৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকখি। তুংদা, লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংনসু নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী ষ্টেট কম্মিসনার দব্লিউ. বিরাহরিনা হায়- থৌরম অসিনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা আর্টস, ক্রাফটস অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎথোকপা ঙমবগী তাঞ্জা অমা পীরে।

মীফম (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্বীরৈ হোলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেসন এন্দ মোনিতরিং কম্মিতিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লোক সভাগী এম.পি- ডা.অঙোমচা বিমোল অকোয়জম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ঙসি পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা এন.আর.ই.জি.এ স্কিমগী মখাদা অনৌবা কঙ্কিত লম্বী অমসুং দ্রেন শেম্বগী থবক চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদ্দা শ্রী রামেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়- মণিপুরদা হৌজিক রাষ্ট্রপতিগী লৈঙাক লৈবা তারবসু মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎপদি লেপ্পা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা থবকশিং অসি লেপ্তুনা পাঙথোকপনি।

লমতা থাংজ (এল)ঃ  চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমশি চহিগী ওইনসু অরোইবা লমতাগী থাংজদা হৈবোক চীংগী থরোই লোক্তা শিংতেক শিংশৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কবুই কষ্টমরি কাউন্সিলগী থৌমী কামৈ খামৈ কবুইনা য়ুপান থাদুনা পাঙথোকপা হৌখি। থৌরম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাপতি শেঞ্জম য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মীফম (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মখাদা লৈবা লোইশঙ পুমমক্কী ওইবা থাশু নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা ১৩ শুবা লোইশঙ তিন্না মীফম ঙসি হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা বোর্দ অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা হয়েং শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগী থৌরম কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগা পুন্না পাঙথোকমিন্ননবা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

লাম্মৈ (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী কৈরাম্বী চীং, লিশা লোক চীং অমসুং থৌবাল খুনৌ চীংশাং পারেংদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ মিনিত ৪০ রোম চৎপা অদুৱাইদা মফম খঙদনা হৌরকপা মৈনা পাক শন্না লাম্মৈ চাকখ্রে। পাউ অদু হেক ফংবগা থৌবাল ফয়ার সার্ভিসকী ফয়ার টেন্দর অনি অমসুং বোলেরো অমা মফম অদুদা চংশিন্দুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। অদুমওইনমক, মৈ অদু পাক শন্না চাকপা মরমনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা মপুং ফানা মুখৎপা ঙমদ্রি হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং কমপ্লেক্সতা ঙসি আইনগী লমদা মীয়াম্বু খঙহন্নবা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন তমেংলোংনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি তমেংলোংগী তেংবাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২০ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি

ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা লম খুদিংমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌমিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ইনভাইরোনমেন্টকী জাতি থাক্কী মীফম হৌদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন দুনা থম্বা অমসুং য়োকখৎপা হায়বসি মীয়াম্বু পাক শন্না ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা লেপ্তুনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংনা ওইথোকহনবা ঙমগদৌরিবনি। মহৌশাগী খলসু কায়হন্দনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমদি ওইরিবনি। মহাকা হায়- ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মঙলান অসি মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নোংথক লম্বীগী ফিভম ফগৎহনবা, ঈশিংগী লমদমশিং নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা, অশং অমান্না থল্লবা পুকিং শুমহৎনিঙাই ওইরবা চাওখৎপগী শক্তম অমা মালেমগী মীয়ামদা উহনবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

য়ুহার ঃ ম্যান্মারদা ঙরাং রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ য়ৌনা য়ুহার হাখিবা অদুদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,০০২ শুখ্রে। লৈবাক অদুগী লান্মীগী লৈঙাক্কী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীগী মশিং লিশিং ২,৩৭৬ শুরে, হৌজিক মীওই ৩০ থিবা খঙদ্রি। শিবা অমদি শোকপগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়ারি হায়রি। শিরিবা অমদি শোক্লিবশিং অদু অয়াম্বনা লৈবাক অদুগী অনিসুবা খ্বাইদগী চাউবা সহর মন্দলেদনি।

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তসু য়ুহার হাবা অদুদা শিবা মীগী মশিং ৬ শুরে, ২৬ না শোক্লে, মীওই ৪৭ না হৌজিকসু থিবা খঙদ্রে।

মরক অসিদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ মিনিত ৫০ রোম তারকপা অদুৱাইদা

ম্যান্মারদা রিক্তর স্কেলদা ৫.১ য়ৌনা অমুক হন্না য়ুহার হাখ্রে। য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্তর নেপিতাউদগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিতর ১৯ চৎলগা লৈবা মফম অমগী লৈনুংদা কিলোমিতর ১০ লুবা মফমদনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পালো (এল)ঃ  মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন, ইম্ফালনা শিনদুনা অহুমশুবা চিতামোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখি। থা অসিগী ৩১ দা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব অমসুং অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমনা কপ অসিগী ফাইনেল মেটচতা লম্বা থেংনগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগকী ৱিন্নর য়ুথ সোসিয়েল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা ওইরে।

ঙসি শান্নিখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুথ সোসিয়েল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অম্ফা (এল)ঃ  অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মিং লাউথোক্লে । লিগ অসিদা পুন্না টিম ১৫ না শরুক য়াগনি হায়না অম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা শামুরৌ চিগোং ত্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- আলকো চজিংনা ৱাই.এস.সি

নাওরেম চাকপ্রৌবু পাঞ্জল ২-১ দা, পান্থোইবী এফ.সিনা এন.এস.আই.সি লল্লাইবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ২৩ মখাগী নুপীগী অহানবা এম.এন.সি.এ- ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ টু পেচু লম্পাকা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা ক্রাউ খমাম বজারনা এ.এম.সি.এ থৌবালবু রন ১৬০ দা, এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু রন ১২৭ তা অমসুং অল অমিন লিলোংনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিবু রন ৪১ দা থোইখ্রে।

বেদমিন্টন (এল)ঃ মথা থাগী ৮ দগী ১৩ ফাওবা চাইনাগী নিংবো সিতিদা পাঙথোক্কদবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপকী ৱিমেন দবলসতা শরুক য়ানবগীদমক বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই কোঞ্জেংবম প্রিয়া খল্লক্লে। নিংশিংবা য়াই, মণিপুরগী কোঞ্জেংবম প্রিয়া অসি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৪৪ শুবা মফম লৈরি।

------